## গভর্ণরনা বোর্দর ফেন্সিংগী মতাংদা খন্নখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগা ম্যান্মারগা তাইনরিবা ঙমখৈ পরিংদা চথুরক্লিবা শন্বল খাবগী থবক থৌরমশিংগা মরী লৈননা ঙরাং গভর্ণরনা বোর্দর রোদ ওর্গনাইজেশন (বি আর ও) গী দিরেক্টর জেনরেল লেফটিনেন্ট জেনরেল রঘু শ্রিনিভাশনগা উনদুনা খন্নখ্রে হায়রি।

মীফম অসিদা ইন্সপেক্টর জেনরেল অসাম রাইফল্স (সাউথ) মেজর জেনরেল রভরুপ সিংহ অমসুং বোর্দর রোদ টাস্ক ফোর্স (বি আর টি এফ) কী ওফিশলশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

ঙরাং নুংথিল গভর্ণরনা ঙমখৈ শন্বল খাবগা মরী লৈননা মকোক থোংবা ওফিশলশিং অসিগা উনখিবদা বি আর ওগী দিরেক্টর জেনরেলগী মায়কৈদগী হৌজিক ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা চথুরক্লিবা শন্বল খাবগী থবক্কা মরী লৈনবা মরীক চুন্বা রিপোর্ট গভর্ণরদা লানখৎখি হায়রি।

### ‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পুম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পুম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুন্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 90.160755 |
| US Dollar | 86.560047 |
| British Pound | 107.526443 |
| Australian Dollar | 54.029989 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.947986 |
| Japanese Yen | 0.556744 |
| Malaysian Ringgit | 19.713463 |
| Singapore Dollar | 64.003650 |
| South Korean Won | 0.059848 |
| Saudi Arabian Riyal | 23.082679 |
| Thai Baht | 2.552715 |


### GAS NEWS

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKINGUPTO 02/12/2024**
VALID FROM. 21/11/2024
14kg,10kg,19kg & 5kg
UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
TIMING 08.00 to 10.00am
GAS LOUBA MATAMDA REGISTER TOUBA MOBILE PUTHOKPIYU

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-06-10-2024,**
VALID FROM 28-09-2024,
**STOCK: 324,**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**M/S R&H Indane Service Irilbung**
Only Home Delivery
**Booking Upto 24/09/2024**
Valid from 17/09/24.
Office contact no.7353320254
Call Timing 9am to 12pm
Sunday Closed
**Stock 324nos.**

**Imphal LPG Service**
Home Delivery Only
**Booking upto: 11/11/2024**
Office contact no.9362654114
Time:8.30 am to 12.30pm
Available 10 kg 5kg

**MAHALAKSMI INDANE GAS**
**Bk upto 15/11/24**
Valid from 6/11/24
**Stk 324**
Home delivery only
(Plz update cons. mobile no.)


### HL Poll

Q : Indo-Myanmar ngamkhei paringda chatharakliba akanba Lan ashigi innil Manipurgi mapham kharadasu yourakani haibada langadra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Ngarang numidang Union Home Minister Amit Shahna Speaker Seityabrataga unakhiba aduna Manipur leingakta ahongba ama purakkdra?

Yes 67% No 33%

### অস! লোইরেহে!

-সার, ফগি ওইনা তৌবিরো তাবা য়াদ্রে।



-অওইবা ঙাঙবা তাবদা ৱারেনে ঐসু!

## থম্নাপোকপী : মীতৈগী উয়োক চীংদা ক্রোস য়ুংলম্লে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচএনএস):** ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইঙংপোকপী পি এসনা কোল্লিবা থম্নাপোকপী মনীংদা লৈবা মীতৈগী উয়োক চীংদা কুকিশিংনা ক্রোস য়ুংশিল্লম্লে হায়না খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

উয়োক চীং অসি মীতৈগী খুলশিং ওইরিবা থম্নাপোকপী, শান্তি খোংবাল, শবুংখোক খুনৌ, শবুংখোক খুঞ্জাও, সনাশাবী অমদি য়াইঙংপোকপীদা নোংমৈ কাপশিন্দুনাএটেক তৌরকখিবদা মরু ওইবা মফম ওইনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা শীজিন্নরকপনি হায়রি।

## চীফ মিনিষ্টরগীনি হায়দুনা চার্জ তৌবা ওদিও ...

*লমায় ১গী মখা...* অসি হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা সুপ্রিম কোর্টকী মতম অদুগী চীফ জষ্টিশনা লুচিংবা বেঞ্চনা লৌখৎলকখিবদা সোলিসিটর জেনরেল টুসর মহেতা অমসুং এটোর্নি জেনরেল আর ভেনকটরমনিগী মায়কৈদগীদি অকনবা মওংদা ওবজেক্সন তৌখিবনি। মখোয় অনীনা কোর্টতা সবমিট তৌখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মেট্টর অসি হান্না হায় কোর্টতা ফাইল তৌবগী মহুত্তা সুপ্রিম কোর্টতা হকথেংননা লাকপা চুমদে হায়বা ৱাফম ফাওবা ফোঙদোকখিবনি।

লোয়ননা পিটিশন অসি সুপ্রিম কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নবীগনু হায়জখিবনি। অদুম ওইনমক মতম অদুগী চীফ জষ্টিশকী মায়কৈদগীদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংনি হায়বগী চার্জ তৌরদুনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিশন অসিগা লোয়নরকখিবা ওদিও ক্লিপশিং অদু চুন্মী নৎত্রগা লাল্লি খঙদোক্লবা টেষ্ট তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অদুবু ঙসি পিটিশন অসি অমুক হন্না সুপ্রিম কোর্টনা লৌখৎলকপদা পিটিশ্নর ওইরিবা কে ও ঐচ আর টিগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল অসিনা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিশন অসিগা মরী লৈননা কোর্টনা মোনিটর তৌবা ইনভেষ্টিগেশন অমা স্পেশল ইনভেষ্টিগেশন টিম অমনা চথুহনবীয়ু হায়বা ৱাফম ফাওবা হায়জরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, কুকিগী ওর্গনাইজেশন অসিনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মরী লৈনবা/মহুৎ শিনবা ওথোরিটি অমসুং মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা রিট পিটিশন অসিগা লোয়ননা চাওরাক্লা মিনট ৪৮ শাংবা ওদিও ক্লিপশিংসু ফাইল তৌরকখিবনি। ওদিও ক্লিপশিং অসিদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ক্লোজ দোর মীটিং অমদা মহাক্কী মায়কৈদগী মণিপুরগী ঈরাং হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবা ৱাফমশিং ফোঙদোকই হায়দুনা চার্জ তৌরকখিবনি। ওদিও ক্লিপশিং অসিদা ফোঙদোক্লিবা ৱাহৈশিং অসিমক্লা পিটিশন অসিদা প্রাইমা ফেসি লৈরে হায়বদু উৎলে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখিবনি।

অদুম ওইনমক ওদিও ক্লিপশিং অসিবু মশক খঙদোক্লবা ভেরিফিকেশন চথুরে হায়রিবা কাউন্সেল প্রসান্ট ভুষণনা অথুবদা ৱায়েল চথুবীনবা অইবা চেরোল ফাইল তৌরক্লবা মতুংদা পিটিশন অসিগী মখা তাবা লাইবক খঙগদৌরি।

## মণিপুরগা তাইনবা ঙমখৈ ...

*লমায় ১গী মখা...* নাকল অনীনা খূৎ থোক্লবদা নত্তনা ঙসি নুংথিল তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী নমলিদগী খা নোংপোক্তা কিলোমিটর ১০ রোম লাপ্না লৈবা ম্যান্মারগী মিন্থা হায়না খঙনবা মফমদা ম্যান্মারগী মায়কৈদগী এয়র ষ্ট্রাইক অমসু চথুরকখ্রে হায়রি।

অদুগা ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপদনা তমুগী মফম অমদা এন এস সী এন-আই এমগী কাদরশিংগা কে এন এ -বিগগী মরক্তসু অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখ্রে হায়রি।

ঙরাংদগী হৌরদুনা ঙসি ফাওবা মণিপুরগী লালহৌলূপশিংগা কে এন এ-বিগগী মরক্তা অয়ূক পুং ৯.৩০দগী হৌরক্তুনা মখা তানা খূৎ থোক্লরকপদা কে এন এ-বিগী মায়কৈদা কাদর অনী শিরে হায়রি।

ঙসি শিখিবা কাদর অনীসি থারগা ঙরাংদগীনা ঙসি ফাওবদা লানফম অসিদা শিখিবা কে এন এ-বিগী কাদর ১৩ শুখ্রে হায়বগা লোয়ননা মখোয়দগী এল এম জি অমা য়াওনা অফবা মখলগী নোংমৈ ১৪ রিকোভর তৌরে হায়রি।

চৈরকসিদা, ঙরাং বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮৭না কোল্লিবা য়াঙৌপোক্পা তাইনবা মফম অমদা কে এন এ-বিগা খূৎ থোক্লখিবা মণিপুরগী লালহৌলূপ অমগী লাম্মী অমা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোকপদগী লায়কন্নরবা মতুংদা ঙসি লৈখিদ্রে হায়রি। অদুগা লানফম অসিদা লৈখিদ্রবা কে এন এ-বিগী কাদরশিংগী মনুংদা চূড়াচান্দপুরদগী মীওই ৩ য়াওরম্লে। মখোয়গী মমিংশিংনা থিঙ্কাংফাইদগী সাটনিও খোংসাই, কিহেনাইলৌ খুলদগী লেটকোশাট অমদি পাওখানমুৱান কৌই হায়রি।

চৈরকসিদা, ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা ঙরাংদগী হৌরদুনা লালহৌলূপশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লরকপদগী ইম্ফাল লোমদগী কসোম খুল্লেন অমদি থৌবাল তাবা য়াবা লন্বীদা মশীং য়াম্লবা আর্মি অমদি অসাম রাইফলসকী গাড়ীশিং চৎপা হৌরকপদগী ঙসি অয়ূক য়াইরিপোক খোইরোম অমদি য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাগী মফমশিংদা খুল অনীসিগী য়াম্লবা নুপীশিং থোরক্তুনা লন্বীদা উকুনচিংবা ফৈজিন্দুনা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং চৎথোক চৎশিন তৌহন্দনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক পুলিস লাক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবী নুপীশিংগা ৱারী শানদুনা মীয়াম্না চথোক চৎশিন তৌরিবা লন্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিন্দনবা হায়বদগী য়ানবা পুরক্তুনা খোঙজং অদু হন্দোকখি হায়রি।

অদুবু ঙরাংদগীনা ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা চথুরকখিবা খূৎ থোক্লবা থৌদোকশিংগা মরী লৈননা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেশন অমত্তনা মখোয়গী ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

## বি জে পিগী এম এল এ...

*লমায় ১গী মখা...* লাক্লগনি হায়রি।

পাউ অসি তাবদগী কদাই ফাওবা চুল্লবগে হায়বা খঙদোক্লবগীদমক বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মীওই অমদা ঙসি নুমিদাং পুং ১০.০৯ তারকপদা পাউচে অসিনা টেলিফোন অনীরক তৌরুবদা পায়খৎলকপগী মহুত্তা স্বিটচ ওফ তৌশিনখি। তুংদা পাউ অসিগী মতাংদা তাংদাংবা অমা খঙদোক্লবগীদমক লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অমদা টেলিফোন তৌদুনা হংলুবদদি হৌজিকমক্কী ওইনা পার্টিগী নেশনল লুচিংবশিং লাকপগী প্রোগ্রাম লৈত্রি হায়না ফোঙদোরকখি।

অদুম ওইনমক পাউচে অসিনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী অতোপ্পা লুচিংবা অমদা টেলিফোন তৌদুনা হংবদদি ঙসি-হয়েংমক মহাক লাক্কনি হায়বগী খঙহল্লকপা লৈত্রি। মরম অসিনা থৌরাং তৌবসু লৈত্রি। অদুম ওইনমক পার্টিগী লুচিংবশিংগী মায়কৈদগীদি মহাক মণিপুরদা চৎননবা পাউতাক পীবদি লৈরে হায়না তারে হায়রকখি। মরম অসিনা হৌজিক ৭শুবা এসেমব্লিগী সেশন হৌগদবা নুমিৎ ১২নি খক্তা ঙাইশিল্লক্লবা মতমসিদা ডা. সম্বিট পাত্রানা সেশন অসিগী মাঙওইননা ষ্টেট অসিদা লাক্তুনা মহাক্কী পার্টিগী এম এল এ-মিনিষ্টরশিং উনরগদ্রা হায়বসিদি চপ চানা খঙদ্রি।

অতোপ্পা পাউগী লিখুন অমনদি মহাক হয়েংমক ইম্ফালদা থুংলবা য়াই হায়রি। অদুবু পার্টি অসিগী মায়কৈদগীদি ৱাফম অসিগী মতাংদা ওফিশল ওইবা রিপোর্ট ফংখিদ্রি।

## লৈখিদবা এ আর পর্সনেল ৩...

*লমায় ১গী মখা...* মতুংদা ঙসিসু অতোপ্পা পর্সনেল অনীসু লৈখিদ্রে হায়রি।

ঙসি লৈখিদ্রবশিংদি বিহারদগী হবিলদার ওমেস য়াদব (৪৯) অমসুং উত্তরখণ্ডদগী ফুলচান্দ (৫৬)নি হায়রি। ফুলচান্দনা ঙসি অয়ূক পুং ৪ খরা হেল্লকপদা লৈখিদবনি অদুগা ওমেস য়াদবনা ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.২০ রোম তারকপদা লৈখিদবনি হায়রি।

অমরোমদা, মখোয় মঙাগী মথক্তা ঙসি অয়ূক পোষ্ট অদুদগী উত্তর প্রদেশতগী গগন সিংহ (৪৬) কৌবা পর্সনেল অমসু চপ মান্নবা লায়ওং মায়োক্লরকপদগী রিমসতা পুখৎলক্তুনা লায়কন্নরি হায়রি।

লৈখিদ্রবা পর্সনেলশিংগী হকচাংশিং রিমসকী মীরেলশঙদা এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমা য়াওনা ভিদিও কভরেজ তৌরগা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন পাঙথোকখ্রে হায়রি।

## ইলেক্সন পিটিশন : এদভোকেট ...

*লমায় ১গী মখা...* শিং কোর্টনা ফ্রেম তৌরবা মতুংদা ইস্যুশিং অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা মসিগী ৱায়েল চথনবগীদমক হায় কোর্টনা এপোইন্ট তৌখিবা এদভোকেট কম্মিস্নরনা ৱিটনেশশিংবু এগজামিন তৌবা হৌরকখিবনি।

কোর্টনা ফ্রেম তৌখিবা ইস্যুশিং অসিগী মনুংদা মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা দিফেন্স ৱিটনেস (দি দব্লিয়ু) নম্বর ১৫ ওইবগী মথক্তা ইলেক্সন পিটিশন অসিগীনা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবনি।

দিফেন্স ৱিটনেশ খরা এদভোকেট কম্মিস্নরনা মচিন হংলবা মতুংদা মিনিষ্টর গোবিন্দাস (দি দব্লিয়ু) নম্বর ১৫গী মচিন হংনবা থেঙ্খাং খরদা কোর্টতা মশা লাক্লবা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু লাকপা ঙমদবগী মরমশিং পীরক্লগা লাকখিদ্রবা মতুং ঙসি লাক্তুনা নুংথিল পুং ১ খরা হেল্লকপদগীনা নুংথিল পুং ৪ তারমদাই ফাওবদা মহাকপু কোর্টনা ফ্রেম তৌখিবা ইস্যুশিংগা মরী লৈননা এদভোকেট কম্মিস্নরনা মচিন হংখিবগা লোয়ননা ইলেক্সন পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা ক্রোস এগজামিনেশনগী থবকসু চথুবা হৌখি।

অদুম ওইনমক ক্রোস এগজামিনেশনগী থবক অসি ঙসি মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমখিদবদগী এদভোকেট কম্মিস্নরনা মিনিষ্টরগী ক্রোস এগজামিনেশনগী থবক থা অসিগী ৩০গী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙ্খায় চৎলকপদগী মখা তানা চথনবা দিরেক্সন পীখ্রে হায়রি।

## ইরাই নুমিৎতা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি ...

*লমায় ১গী মখা...* মায়কৈদগী দিস্কশন অসিগা মরী লৈনবা পাউখুম পীগনি। অদুগা প্রসিদেন্টকী এদ্রেশ থাগৎপা ফোঙদোকপগী চথুগদবা দিস্কশন অসিগীদমক হাউসকী মেম্বর অমনা মুভ তৌরক্লগা অতোপ্পা মেম্বর অমনা শৌগৎলক্কনি হায়নসু পার্লিয়ামেন্টরি বুলেটিন অমনা ফোঙদোরকখ্রে।

চৈরকসিদা মীফম অসি হৌগদবা নোংমা ৱাইলিঙৈ থা অসিগী ৩০দা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওল পার্টি মীটিং অমা পাঙথোক্কনি হায়না ঙরাং য়ুনিয়ন পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়রস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা লাউথোকখিবনি। পার্টি পুম্নমক্কী মীহুৎশিংনা শরুক য়াগদবা মীফম অসিদা চথুগদৌরিবা হাউসকী মীফমদা অয়েৎ অপন য়াওদনা চথবা য়ানবগীদমক ওপোজিশনগী লুচিংবশিংনা কোওপরেশন পীবিয়ু হায়নসু আপীল তৌখিবনি।

পাউগী এজেন্সী অমদা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা থা অসিগী ৩১দগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম অসি বডজেট সেশন ওইগনি হায়খিবনি।

## উরিপোক : খূৎখাং চরা হেনবগী ...

*লমায় ১গী মখা...* খোঙজং নুমিৎ ৭৪নি শুখ্রে।

খোঙজং অসি উরিপোক অপূনবা লূপ অমসুং উরিপোক অপূনবা নুপী লূপনা পুন্না খূৎশম্নদুনা চঙশিল্লকখিবনি। ঙসিগী খোঙজংদা উরিপোক সোর্বোন থিঙেলগী সী দি এস ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

খোঙজং অসিগা মরী লৈননা উরিপোক অপূনবা লূপকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি চীংথং নাম্বমনা ফোঙদোরকপদা মীহাৎ অদুগী মায়োক্তা খূৎখাং চরা হেনবগী খোঙজং লেপ্তুনা চঙশিল্লকপনি অদুবু পাল্লিবা য়ুনিয়ন অমদি ষ্টেট লৈঙাক অনীনা মীহাৎপশিং অদুবু হৌজিক ফাওবা ফাবা ঙমদবসি মীয়ামদা হায়দোকপা য়াদবা মরম অমা লৈরব্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

## সোইবম ইন্দ্রকুমারগী বেষ্ট প্রদক্সনগী মনা...

*লমায় ১গী মখা...* মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিবেলদা তোঙান তোঙানবা মনা কয়া ফংলকখিবনি।

মহাভারতকী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইরগা শাগৎলকপা ৱারী ওইরবসু মীয়াম্না তানরবা মহাভারতকী ৱারী অদুমক্তি ওইখিদে। প্লে অসিনা অয়েংবশিংদা মীয়াম্না ঙাঙন-শক্নরক্লিবা ৱারীশিং নৌহৌননা নীংশিংহনখি।

প্লে অসিগী মনুং চন্না কুরুক্ষেত্রদা শোক্লখিবা মহাভারতকী লান লোইখ্রবা মতুংদা ফংখিবা লানগী মহয়শিং ময়েক শেংনা উৎলি। ঙসিগী অখন্নবা শো অসি থিএটর গ্রুপ অসিগী অর্কাইবসতা দ্রামা অসিগী কোপি অমা থমহৌনবগীদমক ভিদিও দোক্যুমেন্টেশন তৌননবা অখন্ননা উৎখিবনি। ঙসি প্লে অসিবু য়েংখিবা পুম্নমক্লা মসিগী মতিক-ময়াই নৌহৌননা থাগৎলমখি।

পনবা য়াবদি, রুপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিবেল অদুদা প্লে অসিনা বেষ্ট স্ক্রিপ্ট, বেষ্ট প্লে, বেষ্ট এক্ট্রেশ, বেষ্ট মেক-অপ, বেষ্ট লাইট, বেষ্ট কোষ্টুম অমসুং বেষ্ট দিরেক্টর য়াওনা বেষ্ট প্রদ্যুশরগী মনা ফংলকখিবনি।

## এস টি স্কোলরশিপ পীদবগী ...

*লমায় ১গী মখা...* হৌজিক লৈরিবা ত্রাইবেল মহৈরোয়শিংগী সেদ্যুল্ড ত্রাইব স্কোলরশিপকী ওইরিবা ফীভম গভর্ণরদা ময়েক শেংনা খঙহনখিবগা লোয়ননা পীথোক্তনা নমশিল্লক্লিবা সেদ্যুল্ড ত্রাইব স্কোলরশিপশিং অথুবা মতমদা পীথোকহনবীনবা গভর্ণরদা হায়জখি হায়রি।

মহৈরোয়শিংগা উনদুনা পীশিল্লকপা মেমোরেন্দম লৌশিল্লবা মতুংদা গভর্ণরগী মায়কৈদগী ৱাফম অসিগী মতাংদা মহৈরোয়শিংগীদমক য়েংলদুনা য়েংশিল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি।

## কম্মান্দো পর্সনেল ১গী কার...

*লমায় ১গী মখা...* থৌদোক অসিগী মতাংদা গাড়ী অসিগী মপু ওইরিবা ককচীং মন্তক্কী এস টিকেন কোম (৪৪) অপোকপা এস জিতেন কোমনা ককচীং পি এসতা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌখ্রে। মহাক ৩শুবা আই আর বিগী পর্সনেলনি। হৌজিক্লা ককচীং কম্মান্দোদা এটেচ তৌদুনা লৈরকপনি হায়রি।

পাউচে অসিদা মহাক্লা ফোঙদোরকপদা মহাক্কী হুরানখিবা গাড়ী অসিগী ছো অমসুং মোবাইল ফোন (ভিভো) নম্বর ৯৮৫৬৮৩০৫৪৬ য়াওনা গাড়ী মনুংদা অদুমক থল্লম্বনি হায়রি। হুরানখিবা কার অসি মহাক্লা লুপা লাখ ১.৮০দা লৈবনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

## কোংগ্রেসনা বি জে পি লৈঙাক্তা অকনবা ...

*লমায় ১গী মখা...* বি জে পিদা ওনশিন্দুনা চৈখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অসি য়াম্না লুরে। ইরমদম মণিপুর কনগে হায়রবদি ঙসিগী নহাশিংগী অচৌবা থৌদাং অমদি ফিরেপ মথৌ তাই। ঙসি কোংগ্রেসকী নৌনা থৌ পুনবা খল্লম্লবা থৌমীশিংনা কথোকপগা লোয়ননা মীয়ামগীদমক হোৎনগদবনি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিদি হীরম খুদিংমক্তা ফেল ওইরে। মীয়ামগী য়াইফনবনি হায়না পায়খৎপা স্কিম খুদিংমক ফেল ওইরে। মদুগী তায়ওন্নবা ঙাক্তা ঙাইরে। মিনিষ্টর/এম এল এ ফাওবনা চৎপা ঙমদ্রবা মফমদুদা মীয়াম চৎহনগনি হায়দুনা বস থৌদোক্তুনা খাল্লগা ফাগি তাদুনা তোকখ্রে। মসিদা নত্তনা ৱার ওন দ্রগস, মীতোপ খন্দোকপা, উ থাসি হায়বনচিংবা কয়া মায় পাকপা ঙমদ্রে। মসিগী মহুত্তা য়াইতোং খমদোংবা লৈঙাক্লা নক্লবা মীওইশিংনা ফ্রীদা দ্রগ অমদি উ করবার তৌবগী পাউ ঐখোয়না লোইনা তানরবনি হায়নসু মরাল শীরদুনা লৈঙাক অসিনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়োক্তা ৱাফম অমত্তসু হায়বা ঙমদ্রে হায়খি।

ওক্রম ইবোবীগী মতমদদি টি ঐচ মুইভা ফাওবা চঙহনখিদে। মসিদা নত্তনা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা পি চিদম্বরমনা মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন ফাওবা ত্বিট তৌরকপদা খুদক্তা ককথৎহনখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অসিগুম্বা খেন্নবা কয়া অসি য়েংদুনা কোংগ্রেস লৈঙাক অমুক লাকহন্নবা ঐখোয় থম্মোয় শেংনা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরমদা এম পি সী সীগী থৌপুবা লুচিংবশিং, দিষ্ট্রিক্ট অমদি ব্লোককী থৌ পুবশিং, কাউন্সিল্লরশিং অমদি পার্টিবু নুংশিজবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা ১৮-শুবা লোক সভা ইলেক্সনদা আউটর মণিপুরগী ওইনা ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখ্রবা পোল্লিং বূথশিংদসু মনা পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অসিদা এন পি পি য়াওরম্বা পল্লেল জি পি ৱার্দ নম্বর ১ অমদি ৱার্দ নম্বর থ্রীগী মেম্বর নজিমউদ্দিন অমদি ৱাজিৎ আলি এলিয়জ মুকুৎনা কোংগ্রেসতা য়াওরকপদা হরাউ তরাম্না ওকপগা লোয়ননা পার্টিগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ূম কেনেদিনা লেংয়ান ফিশিং খুদোল তমখি।

## জে দি-য়ুদগী বি জে পি ওনখ্রবা এম এল এ মঙাগী দিসক্বালিফিকেশন ...

*লমায় ১গী মখা...* লৌখৎখিবনি। অদুগা অহানবা ওইনা কেস অসিগী ৱায়েল চথনবা সেপ্টেম্বর ২০, ২০২৪গী অয়ূক পুং ১১.৩০ তারকপদা লেপখিবনি।

নুমিৎ অসিদগী হৌরদুনা থেঙ্খাং অহুম্লক্কী মতম ত্রাইব্যুনেলনা এম এল এ ৫দা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরিবা দিসক্বালিফিকেশন কেসশিং অসিগা মরী লৈনবা রিট্রন ষ্টেটমেন্ট/রিপ্লাই পীখৎলক্লবা মতমশিং পীখিবনি। অদুবু ইকোন কোনবা ওইনা দিসেম্বর ২০, ২০২৪দসু দিসক্বালিফিকেশন কেসশিং অসিগী মখা তাবা ৱায়েল চথনবা মতম লেপখ্রবসু এম এল এ ৫গী মায়কৈদগী রিট্রন ষ্টেটমেন্ট/রিপ্লাইশিং পীরকখিদে। অদুগা মখা তানা হায়রিবশিং অসি ফাইল তৌরক্লবগী মতম পীবিনবা হায়জরকপদগী ত্রাইব্যুনেলনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা চয়োল অহুমগী মতম পীরদুনা মখা তাবা ৱায়েল ঙসি (জন্যুৱারী ২৮, ২০২৫) চথুগনি হায়না খঙহনখিবনি। অদুবু থা অসিগী ২৬তা ত্রাইব্যুনেল অসিগী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরিবা স্পিকরবু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা কৌরকপদগী দেল্লীদা চৎখিবা অদু ঙসি ফাওবা হল্লকখিদবনা ঙসি চথুগদবা কেসশিং অসিগী ৱায়েল চথুখিদে।

হীরম অসিগী মতাংদা ত্রাইব্যুনেলদা দিসক্বালিফিকেশন কেসশিং ফাইল তৌরক্লিবা পিটিশ্নরশিংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেল অমদা পাউচে অসিনা হংলুবদা মহাক্লা হায়, মখোয়গী মায়কৈদগীসু ত্রাইব্যুনেল অসিগী ওফিশলশিংগা পাউ ফাওনরে। মসিদা দিসক্বালিফিকেশন কেসশিং অসিগী ৱায়েল চথনবা মতম স্পিকর লাক্লবা মতুংদা লেপ্লগনি হায়না খঙহল্লক্লে হায়রি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২২দা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্লবা মতুংদা বি জে পিনা লুচিংদুনা লীংলক্লিবা মণিপুর লৈঙাক্তা জে দি-য়ুগী এম এল এ তরুক্লা শৌগৎলম্বদগী এম এল এ অমা লৈহৌরগা মখোয় মঙানা বি জে পিদা মর্জ তৌরে হায়বগী অইবা চেরোল অমা সেপ্টেম্বর ১, ২০২২দা স্পিকরদা পীশিল্লকখিবনি। চেরোল অদুগী মতুংইন্না এসেমব্লিগী সেক্রেটরিএটনা সেপ্টেম্বর ২, ২০২২দা বুলেটিন পার্ট-২ (নম্বর ১৭) থোক্তুনা এম এল এ ৫ অসিনা বি জে পিদা মর্জ তৌরে হায়বগী ৱাফম অসি অয়াবা পীরে হায়না খঙহনখিবনি।

অদুম ওইনমক অতোপ্পা পিটিশ্নর অনী খক্তা নত্তনা জে দি-য়ুগী জেনরেল সেক্রেটরি এম দোরেন্দ্রোনা মহাক্কী পার্টিগী এম এল এ মঙানা লৌখ্রিবা ফিরেপ অসিগী মায়োক্তা মখোয়বু কন্সটিট্যুশনগী টেন্থ সেদ্যুলগী আর্টিকল ১৯১ (২) অমসুং পেরা ২ (১) (এ) গী মখাদা ত্রাইব্যুনেল অসিদা ৱাকৎলকখিবগা লোয়ননা মখোয় মঙাগী মথক্তা দিসক্বালিফিকেশন প্রোসিদিংশিং চথুবীয়ু হায়জরকখিবনি।

অমরোমদা, দিসেম্বর ২০, ২০২৪দা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলদা এম এল এ মঙানা হায়জরকখিবগী মতুংইন্না মখোয়গী মায়কৈদগী রিট্রন ষ্টেটমেন্ট/রিপ্লাইশিং চয়োল অহুমগী মনুংদা পীখৎলক্লবা দিরেক্সন পীখ্রবসু ঙসি ফাওবদদি পীখৎনরকপগী পাউ ওফিশল ওইনা ফংবা ঙমখিদ্রি।

## ফেব্রুৱারী ১০দগী হৌগদৌরিবা এসেমব্লি মীফমগীদমক ফি...

*লমায় ১গী মখা...* গভর্ণরনা ৭শুবা সেশন অসি মথং থাগী ১০গী অয়ূক পুং ১১দগী চথনবা সম্মন তৌখিবগা লোয়ননা এসেমব্লি সেক্রেটরিএটকী মায়কৈদগীসু নুমিৎ অদুমক্তদা নোটিফিকেশন থোকখ্রবনি।

শোয়দনা পাঙথোক্লগদবা সেশন অসিগীদমক মহৌশাগুম্না নুমিৎ কয়ানি চথুগদগে অমসুং সেশন অসিগী হাউসকী বিজিনেসশিং করি-করি ওইগদগে অদুগা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীনা বিল কয়া পুথোরক্কদগে হায়বদু খঙদোক্লগা সেশনগী নুমিৎ মশীং লেপথোক্লবা এসেমব্লিগী বিজিনেশ এদভাইজরি কম্মিটি (বি এ সী) গী মীফম ফাওবা পাঙথোক্ত্রিবা ওইরগসু পোলিটিকেল পার্টি খরদি মফি শেন্বা হৌনরে।

এসেমব্লিগী বি এ সীগী চ্যেরমেন অসি স্পিকরনা ওইবনি। অদুবু হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা কৌরকপদগী মহাক থা অসিগী ২৬কী নুংথিলদা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিদুনা ঙসি নুমিদাং ফাওবা মফম অদুদা লৈরিবনি। অদুবু হয়েং মহাক হল্লক্লবা মতুংদা চথুগদৌরিবা সেশন অসিগীদমক বি এ সীগী মীফম পাঙথোক্লবা নোটিফিকেশন অমা থোক্লবা য়াই থাজনরি।

অদুম ওইনমক বি এ সীগী মীফম ফাওবা পাঙথোক্ত্রগসু পোলিটিকেল পার্টি খরনা ফি শেম্নরকপগী মনুং চন্না কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা মীখলদা এম এল এ ৩২ মায় পাকখিবা বি জে পিগী হেক মথংদা ‘সেকেন্দ লার্জেষ্ট’ পার্টি ওইরিবা নেশনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী মীফম অমা মথং থাগী ৫দা মেঘালয়গী কোনুং শিলোংদা পাঙথোক্কদৌরি।

মীফম অসিগী মতাংদা পার্টি অসিগী নেশনল ভাইস প্রসিদেন্ট অমা ওইরিবা হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অমসুং দি জি পি, ৱাই জয়কুমারনা ফোঙদোরকপদা মীফম অসি পার্টিগী নেশনল প্রসিদেন্ট কোনড়াদ কে সংমানা চ্যের লৌদুনা পাঙথোক্কদবনি। মীফম অসিদা শরুক য়ারুনবগীদমক থা অসিগী ৪দা মহাক্লা লুচিংবা এন পি পি, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী মীহুৎ কাঙবু অমা শিলোংগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি। মীহুৎশিং অসিগী মনুংদা ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ সৈখ নুর হাসন, ষ্টেট য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেশন) আর কে রামেশ্বর, জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেশন) রুসেলনা শরুক য়াগনি হায়রি।

মীফম অসি করি মরমগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবনো অমসুং মীফম অসিনা করি করম্বা ৱারেপশিং পার্টিগী ওইনা লৌরক্কদগে হংলুবদা মহাক্লা হায়, থা অসিগী ১৮দা ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এম এল এ, এন কায়সি লৈখিদবদগী পার্টি অসিগী ফম অসি হাঙদুনা লৈরকপা অমসুং ঙরাং পার্টিগী এম এল এ মরিগী মথক্তা স্পিকরদা দিসক্বালিফাই তৌবীনবা পিটিশনশিং ফাইল তৌরকপা য়াওনা মথং থাগী ১০দগী হৌগদৌরিবা এসেমব্লি মীফমগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং পুথোক্তুনা খন্নরগা ৱারেপ লৌগনি হায়রকখি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী পার্টিগী এম এল এ ৪গী মথক্তা ঙরাং দিসক্বালিফিকেশন পিটিশন মরি ফাইল তৌরকখিবগী মতাংদা ঙসি অয়ূক পুং ১১ তারকপদা পিটিশন অসি মায়োক্লরবা পার্টিগী এম এল এশিংগা উনগনি হায়বদু উনখিব্রা হায়দুনা হংলুবদা নেশনল ভাইস প্রসিদেন্ট অসিনা উনখি হায়রকখি। পার্টিগী ওফিসতা ঙরাং ফোঙদোকখিবা পুংফম অসিদা উনখি হায়রি। অদুবু ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, এম রামেশ্বরদি মপান্দা চথোকখিবদগী শরুক য়ারখিদে। অদুগা মীফম অসিদা দিসক্বালিফিকেশন পিটিশন মায়োক্লদবা ৱাঙ্গৈই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ খুরাইজম লোকেনসু লাক্তুনা শরুক য়ারখি হায়না ফোঙদোরকখি।

অদুম ওইনমক মীফম অসিদা করি করম্বা ৱাফম পুথোক্তুনা খন্নখিবগে হায়বগী মতাংদদি ফোঙদোরকখিদে।


## Ph. D. Awarded



**Mrs. Kakchingtabam Mukhara Devi,** daughter of Late K. Brajamani Sharma and K (O) Kadambeni Devi of Singjamei Top Leikai, Imphal West has been awarded the Doctor of Philosophy (Ph.D) degree in Education by Manipur University vide notification no. MU/9-59/24/1907 dated 20 January, 2025 bearing Ph. D registration no. 3712 of 2017 for the thesis titled **"A study on Achievement Motivation in relation to Academic Achievement of higher secondary school students in Imphal West District, Manipur."** She worked under the supervision of Prof. K. Shitaljit Singh, Head, Department of Education, Manipur University. During her research period, she presented two National seminars, published two Journals on UGC-CARE list Journals. She also participated in many Workshops, FDPs, Orientations organized by different universities and colleges. She completed **M.Phil.** in 2009 on the topic "To investigate the problems of teachers of elementary schools in Imphal East District, Manipur" under the guidance Dr. RK Sanajaoba Singh.

She is the wife of Sanglakpam Milan Sharma of Khongman Zone 2, Imphal East. She is currently working as Assistant Professor in Education Department of Standard College, Kongba, Imphal East, Manipur.

We share happiness on her achievement and also wish best her for a better future.

**Best Wishes,**
**Family, Relatives and Friends.**

HL-P/0598/29

## /চহীগী চাকনৌ তংবা ঈরৈমা ইবেন্থৌ ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকাই, ইম্ফাল

লাক্লিবা তাং ৩০-০১-২০২৫ ইং, ফাইরেনগী ১নি পানবা শগোলশেল নুমিত্তা ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকাইবু কোনবীরিবী ঈরৈমা (লাইশ্রম লাইরেম্বী)গী কুমশি চহিগী চাকনৌ তংগদৌরিবা অসিদা ইরৈকাই অমদি খুল্লোন্নবদা লৈবীরিবশিং লোয়ননা অরাপ্পদা লৈবীরিবা শাগৈচাশিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তন্বীরনবা নোল্লক্লা নীংশিংজরি। অদুবু লৈবাক্কী অৱা-অনা তারিবসিগী য়েংজরগা লাইগী থৌরমদং পাঙথোকচরগনি।

*পাউজেঞ্জরিবা :* **ঈরৈমা হরাওবা কম্মিটি**
ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকাই, ইম্ফাল
**# 9774154121/9366591664**

HL-P/0581/28,29